# অসামদা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপশিংগী অৱাবা পোৎলুম লৌরি

*গৌহাটি, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* কংগ্রেসনা লুচিংবা অসামদা পাল্লিবা সরকার অসি সেন্টর গভর্নমেন্টকী ভোট ফংননবগী অচৌবা বেঙ্ক অমা ওইরি। অদুম ওইনমক লমদম অসিনা ঙমখৈ লান্না যুমহোংলকপা কয়াগী অৱাবশিং মায়োক্লরি।

য়ুম হোংলকখিবশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিঙাই ওইরিবদি বাংলাদেশতগী লানশিল্লকখিবা মীওইশিং অদুনি হায়না বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোরক্লি।

অসাম বাংলাদেশকা হেক থংননা লৈরি। অদুগা গুজরাটসু পাকিস্তানগা যুমথংনবা অমা ওইরি। অসামগী মীয়ামনা বাংলাদেশতগী য়ুম হোংলকপশিংগী ৱাথোক মায়োক্লরি। অদুগা গুজরাটনা পাকিস্তান্দগী লানশিল্লকখিবশিংগী প্রোব্লেমশিং থেংনরি হায়না ফোঙদোরক্লি। মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পাল্লিবা সরকার অসিনা মখোয়না ঙাংথোকখিবা থবকশিং ঙাকপগী মহুৎতা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থবক ওইনা চখরি হায়খি।

# অরুনাচলবু পৃথিবীগী শক্তি অমত্তনা ইন্দিয়াদগী মুনবা ঙম্লোই ঃ মোদি

*ইটানগর, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা অহানবা ওইনা ফোংদোক্লদুনা নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিৎতা হায়খিবদা চাইনানা মখোয়গী লম শন্দোকপগী ৱাখল্লোন অদু অদুমক লৈরি। অরুনাচল প্রদেশ অসি পৃথিবীগী শক্তি অমতনা ইন্দিয়াদগী মুনবা ঙম্লোই হায়না ঙসি ইটানগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। চাইনানা মখোয়গী ৱাখলদা লম শন্দোকপগী ৱাখল লৈরি। অদুগা শাশিন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফনবগী মতাংদা নাকল অনিগী ওইবা ৱারী শান্নরি হায়না বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা মীখলগা মরী লৈননা অরুনাচলগী পাসিঘাটতা পাঙথোকপা মীফম অমদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী তৎন–থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। মদু লেংদনা অদুমক লৈগনি। শক্তি অমত্তনা অরুনাচল প্রদেশপু মুনখিবা ঙম্লোই। অরুনাচল প্রদেশকী প্রজাশিংনা চাইনাগী ধপতা চৎলোইদবনি।



লমদম অসিগী লৈহাওদা লেপ্তুনা ৱাশক্লি। মদুদি স্টেট অসি মাংখিবা য়ারোই হায়খি। মহাক্কী ৱাফম অদুদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না অঙকপা ফংনা খুবাক খুদুনা থাগৎনখি। মীয়াম অদু শিয়াং তুরেলগী তোর্ব্বানদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা তিনখিবনি। মোদিনা হায়, চাইনাগী লম শন্দোকপগী ৱাখল্লোন অদু ঙসিদি পৃথিবীগী লৈবাক অমত্তনা য়াদ্রে। পৃথিবী অপুম্বা চাওখৎ মায়কৈদা চঙশিন্নবা হোৎনরি। লম অসিদা য়েংলগা চাইনানা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদু হোংদোকপা দরকার লৈ। চাইনানা লম শন্দোকপদা পুক্নিং চঙবগী মহুৎ চাওখৎ থৌরাংদা হেন্না পুক্নিং চঙবনা চুমগনি। পৃথিবী পুম্বা চাওখৎহন্নবগী ৱাখলোন্দা হেন্না মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়না গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর অদুনা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুগী মীয়াম্না মৱৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন্দা লাউদুনা মোদিবু ওকখি। মোদিনা হায়, লমদম অসিগী মীয়ামনা স্টেট অদুবু ঙাক শেল্লি হায়বসি লৈবাক অসিগী পুক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। অরুনাচল প্রদেশ অসি লৈবাক অসিগী তৎন–থানবা য়াদ্রবা মফম অমা ওইদুনা অদুমক লৈগনি। লমদম অসিগী মীয়াম অশেংবা মৱৈবাক নিংবশিংনি। মখোয়না য়েক্লবশিংগী মায়কৈদা জয় হিন্দ হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা মিকাবগা লোয়ননা য়েংলক্লিবা মীৎয়েংদগী স্টেট অদুগী ঙমখৈ ঙাক শেন্দুনা লৈরি। ইং ১৯৬২ দা চাইনিজশিংনা লম হেনজিল্লকপগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীখ্রবনি। মদুতা নত্তনা বৃটিশ অমসুং লান্মীগী মীওই কয়ানা পাকিস্টানগী কার্গিল ৱারদা লাম্থেংনখি হায়নসু ফোঙদোকখি। চৎলিবা চহি অসিগী জনুৱারি ২৯ দা অরুনাচল প্রদেশকী নহা ওইরিবা ছাত্র নিদো টানিয়া দিল্লিদা হাৎখিবগী মতাংদা পল্লদুনা মোদিনা হায়খিবদা য়ু পি এ সরকারনা স্টেট অদুগী মীয়াম্বু মশিং থাদবগা লোয়ননা থৌশাবীদনা লৈরিবা অদুদগী চেকশিনগদবনি। অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু ঙাক শেনবা হায়বসি অপুনবা লৈবাক অসিগী তৌফম থোকপা মথৌ অমনি হায়খি।

নরেন্দ্র মোদিনা মীফম অদুনা অৱাং নোংপোক্কী চাওখৎ থৌরাংগী মন্ত্রনি হায়না ফোঙদোকখিবদা থ্রি–ঐচ মোদেল তঙাইফদনা পায়খৎপা দরকার লৈ হায়খি। ফোর্মুলা অদুবু মখা তানা শন্দোক্না তাক্লদুনা হায়খিবদা হার্বেল হোর্টিকলচর অমসুং হেন্দিক্রাফটনি হায়খি। হায়রিবা ফোর্মুলা অসিনা অৱাং নোংপোক্কী লমদমবু চাওখৎ মায়কৈদা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈবাক ৱা–৭

*এজটেক এম্পায়ারঃ* এজটেক হায়বা মীওই কাংলুপ অসি ইং ১৩২৫ মতম অদুৱাইদা য়াম্না লাইরবা জাতি অমা ওইদুনা মখোয় অসি মফম অমদা লেংদনা চপ চাবা ময়ুম–মকৈ লিংদুনা লৈতবা, মফম অমদগী অমদা কোয়না পুল্লপ পুল্লপ চৎতুনা হিংবা মীওই কাংলুপ অমনি। অসুম্না মফম অমদগী অমদা চৎতুনা লাকখিবদুনা ইং ১৩২৫ দদি মখোয় মেক্সিকোদা থুংলখি লোয়ননা মখোয়না টৈনোচতিলোন হায়বা সিটি অমা শেমগৎলকখি। সিটি অসি হৌজিকসু মেক্সিকো সিটিগী নাকল্দা লৈরি। মতমদুদা মীওই চাওরাক্না লিশিং ৯০ মুক তবা টৈনোচতিলোন অসি মেগ্নিফিসেন্ট সিটি অমা ওইনা খংনৈ। সিটি অদুদা শারিবা য়ুমশা–কৈশা, লম্বী–থোং, দ্রেনেজ সিষ্টেমশিংদু উৱগা এজটৈকশিং হৈ–শিংবদু খংবা ঙম্মী। পেসিফিকতগী গল্ফ ওফ মেক্সিকো অদুদগী থ্বাটেমোলা ফাওবা লৌশিন্দ্রিবফাওবা হনবা লৈতনা এজটৈকশিংনা লান শোক্লদুনা মখোয়গী এম্পায়ার পাকথোক চাওথোকহনখি। অদুবু ইং ১৫১৯ অমদি ১৫২২ গী মরক্তা হরনান কোর্টৌ লুচিংবা স্পেনিসশিংনা লান্দাশিন্দুনা, জটেক এম্পায়ার অসি লোইশিনখি।

*ওট্টোমান এম্পায়ার ঃ* ওট্টোমান এম্পায়ার অসি ১৩ শুবা সেঞ্চুরিদগী ২০ শুবা সেঞ্চুরি ফাওবা হাইনা হুম্না পানখিবা অচৌবা ইস্লামিক স্টেট অমা ওইখি। ওট্টোমান এম্পায়ার অসিদা তর্কি, সাউথ ৱেষ্ট এসিয়াগী শরুক খরা, সাউথ ইষ্ট য়ুরোপকী শরুক খরা অমদি নোর্থ অফ্রিকা য়াওরি। মসিগী কোনুংনা হৌজিক ইষ্টানবুল হায়না খঙনরিবা মতমদুদা কোন্ষ্টান্টিনোপল হায়না কৌখিবা অসিনি। ইং ১৫০০ গী পরিং অমদি ১৬০০ কী পরিংগী মতম অসি ওট্টোমান এম্পায়ারনা মালেমগী মনুংদা খ্বায়দগী শক্তি লৈবা এম্পায়ার ওইখি। অদুবু হায়রিবা মতমসিগী তুংদদি ওট্টোমান (ইস্লামিক) এম্পায়ার অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমদোক শাদোকউ হায়বদগী মরাই চাইথরকপা হৌখি অমদি শোক্লখিবা লানফম কয়াদা মসিগী লম কয়া য়েক্লবগী মখুৎতা তাখি। পৃথিবীগী অহানবা লাঞ্জাও মতুংদদি ওট্টোমান এম্পায়ারনা কোনশিল্লম্বা লম কয়া অতৈ লৈবাকশিংনা য়েন্নখি।

# লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা হঙ–পার্লিয়ামেন্ট লৈবগী ৱাফম লৈতেঃ এল কে অদবানি



*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* বি জে পি গী সেনিয়ার লিদর এল কে অদবানিনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা হায়খিবদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা হঙ–পার্লিয়ামেন্ট ওইরকপা য়াবগী ফিভম লৈতে। ওইথোকপা য়াবা মওংদা বি জে পি না য়েংবগা লোয়ননা মীখল অদুদা পার্টি অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা সিট মশিং ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেস পার্টি ওইগনি হায়রি।

কংগ্রেস পার্টিগী শেঞ্জা থুমজানা হারবা সরকার অদুনা মরম ওইরগা লাক্লিবা মীখল অসিদা কংগ্রেস পার্টি চাওনা মায়থিবগা লোয়ননা বি জে পি না নমথরগনি হায়খি।

লাক্লিবা মীখল অসিগী ফলদা হঙ পার্লিয়ামেন্ট ওইবগী ৱাফম লৈরোই। মদু মীখল পাঙথোক্লবা মতুং অশেংবা ফিভম অদু শোইদনা উরগনি। হৌজিক লৈবাক অসিগী মীয়ামনা বি জে পি দা পুক্নিং থৌগৎলি। পার্টি অদুগী অহল ওইরবা লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ওইরিবা মহাক্কী পার্টি অদুগী ফিভম ফরি। মমাংদা অসিগুম্বা ফিভম অমত্তা ওইখিদ্রি। লোয়ননা কংগ্রেসতসু বি জে পিনা ঙসি ফংলিবা মীয়ামগী থাজবা অদু মমাংদা ফংবা লৈখিদ্রি। মীখল অদুদা বি জে পিনা শোইদনমক খ্বাইদগী ৱাংবা মশিং অদু ফংবা ঙমগনি। মদুদা লৈবাক অসিগী ইতিহাস অমা শেম্লগনি হায়খি।

কংগ্রেসতা এটেক চখরদুনা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, লৈবাক অসিনা নিং–খা তম্লকপদগী কংগ্রেস পার্টিনা লুচিংদুনা লাকখি। মদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসি শোম্থহল্লি। ফিভম অসি য়েংলগা হন্দক্কী মীখল অসিদদি মখোয়না খ্বাইদগী হন্থবা মশিংদা লেপকনি। মদু মমাংদা ওইখিদ্রিবা ইতিহাস অমা ওইগদৌরিবনি। কংগ্রেসনা তৌজখিবা থবকশিং অদুগী ফল হন্দক শোইদনা ফংলগনি হায়না অদবানিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না সরকারবু লান্না লমজিংবা করপসন অমসুং সরকারগী থৌশিলশিং পেরালাইজ ওইহনবদগী মখোয়গী মরাইবক অদু ওইগদৌরিবনি। অদবানিনা পাউমীশিংদা হায়, মহাক্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু চুম্লগদবনি। ৱাফম অদু মহাক্না ওপোজিসন লুচিংবী সুস্মা স্বারাজগা লোয়ননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক পার্টি অদুনা মখোয়গী থৌশিলশিং মীয়ামদা ফোঙদোক্লুনা লৈবাক অসিবু কন্ননবা চংশিল্লি। পার্টি অদুনা মমাংদগী হৌনা ধর্ম্মদা মীচং মীখাই নাইদবা অমদি রাজনিতিদা অচান মীরাই নাইদবা হায়বা ৱাখল্লোনদা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনরি হায়খি।

# টেলঙ্গনা করম্বা মতমদা ওফিসিয়েল ওইনা শকখঙগদৌরিবগে




*হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* অন্ধ্র প্রদেশকী গভর্নর নরসিমহনা ইরাই নুমিৎতা লমদম অদুগী চিফ মিনিষ্টর কিরন কুমার রেদ্দিনা ফম থাদোক্লবগী পীশিন্নখিবা চেরোল অদু লৌখিবগা লোয়ননা চিফ মিনিষ্টর অদুনা মখা তাবা থৌরাং অমা লাক্ক্রিবা ফাওবা ফম পুননবা খঙহনখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা কংগ্রেসকী হায় কম্মান্দনা স্টেট অদুদা করি তৌগদগে হায়বদু লেপথোকপা ঙমদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা অন্ধ্র প্রদেশতা শক্তি পায়বদা হাঙবগী ফিভম অমা মায়োক্লরি। পাউ অসিগী মতুংইন্না সরকার অদু শেমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা গভর্নরনা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর কিরনকুমারদা কিয়ার টেক্কর ওইনা চিফ মিনিষ্টরগী থৌ পুননবা খঙহনখিবা অদু কিরনকুমারনা য়াখ্রে হায়রি।

মদুমক ওইরমদ্রবদি স্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুলনা চলাইবা য়াবগী ফিভমদা লৈরম্বনি। অদুম ওইনমক রাজনিতিগী লৌতুনবগী মওংদা চিফ মিনিষ্টর অদুনা তোকখাইখ্রবা স্টেট অনিমক্তা সাসন তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরকপা লৈখি।

পাউগী সোর্স অসিগী মতুংইন্না লমদম অদুদা নুমিৎ ১০ নি গী মনুংদা অনৌবা লুচিংবা অমা খল্লবা য়াই হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জৈ রাম রামেসনা টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, গেজেট নোটিফিকেসন থোকপদা থেংথবা অমদি অনৌবা লুচিংবা খনবগী মতাংদা ঝারখন্দ, ছটিসগড় অমসুং উট্টরাখন্দ খাইদোকপগী মতাংদা থা অহুম চয়েৎনবা লৈখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনদি ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। পাউ অসিগী মতুংইন্না তোঙান তোঙান খাইদোকখ্রবা স্টেট অনিদা মখোয়গী এসেটশিং য়েন্থোকপা অমদি ওল ইন্দিয়া সার্ভিস ওফিসার অমসুং ইমপ্লোয়িশিং থঙদোক থংজিন তৌবদা মতম খরদি চংগনি। মদু থা অহুম নত্রগা মদুদগী হেনবা য়াই। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা স্টেট খাইদোকপগী থবকশিং মপুং ফানা লোইশিল্লবা য়াই হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতুংইন্না প্রসিদেন্ট রুল থম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরমখিবনি। অনৌবা চিফ মিনিষ্টর অমা খনবদা মতম খরদি চংগনি। করিগুম্বা থা অহুম নত্রগা মরিগী মনুংদা অনৌবা চিফ মিনিষ্টর খন্দুনা স্টেট অদুবু সাসন তৌবা ঙমদ্রবদি তঙাইফদনা প্রসিদেন্ট রুল থম্লকপা য়াই হায়রি।

য়ু পি এ সরকারনা অন্ধ্র প্রদেশকী লুচিংবশিং মথংগী নুমিৎ নিনি ফাওবগী মনুংদা কৌরকপা য়াই। অদুম ওইনমক নিউ দিল্লিদসু হৌজিমক তং তাদবা ফিভম অমদা লৈরিবনি। অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনা সিমান্ধ্র, টেলঙ্গনা অনিমক অপুনবা স্টেট অমা ওইনা লৌবা য়াররোইদবনা তোঙান তোঙানবা চিফ মিনিষ্টরশিং খনগৎপা দরকার ওইরি। হৌজিক মফম অদুদা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেমশিং মায়োক্লরি হায়রি।

টেলঙ্গনাগী লমদমদগী চিফ মিনিষ্টর ওইরকপা য়ারিবা মীওইশিং অদুদি জৈপাল রেদ্দি, দি শ্রীনিভাস, কে আর সুরেস রেদ্দি, জন রেদ্দি, দামোদর রাজা নরসিমহ, কিতা রেদ্দি অমসুং পোনাল লক্ষ্মীননাঠনি হায়রি।

# নেহরু অমসুং ইন্দিরা হাক্তক্তগী টেলঙ্গনা খায়দোক্লমদবনি অদুবু সোনিয়ানা তৌরে

*হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* ইন্দিয়ানা নিংতম্লবা চহি ৬০ গী মতুং টেলঙ্গনা স্টেট অমা ওইনা শেম্লে। স্টেট অদুবু খায়দোক্লবগী বিল রাজ্য সভানা পাস তৌখি। মদু মমাংদা লোক সভানা অন্ধ্র প্রদেশ খায়দোক্লবগী বিল পাস তৌখ্রবা মদুংদনি।

চহি ৬০ গী মমাংদগী হৌনা লমদম অদুগী কোনুং ওইবগী মতাংদা খৎনবগী মরম অমা ওইদুনা লাকখিবনি। ইং ১৯৫৩ দা অন্ধ্র প্রদেশতগী মদ্রাস স্টেট খায়দোকখি।

মতম অদুদা টেলেগু ঙাংবশিংগী স্টেট খায়দোকপা অদু মদ্রাস ওইখি। স্টেট অদু হৌজিক্তি চেন্নাই হায়না খঙনরে। মতম অদুদা অন্ধ্র প্রদেশকী কোনুং অদু কুরনুল ওইরম্মী। অদুগা হৌজিক্না হায়দ্রবাদ ওইরকখিবনি।

টেলঙ্গনা খায়দোক্লবগী মতাংদা খোঙজং চংশিনখিবশিংনা ময়েক শেংনা খঙই। মদুদি হায়দ্রবাদ য়াওদনা টেলঙ্গনা ওইথোকপা য়ারোই। অদুবু লমদমশিং অদু লৈবাক অসিগী শরুক অমদি ওইরিবনি।

টেলঙ্গনানা হৌজিক লৈবাক অসিগী ২৯ শুবা স্টেট অমা ওইরে। চৈরক অসিদা অন্ধ্র প্রদেশকী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চংশিল্লি। অদুম ওইনমক অরোইবা ওইনা য়ান্নবা অমা ওইনা হায়দ্রবাদপু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইহন্নবা মায়গৈরোমদা চংশিল্লক্লি।

# দিল্লিদা লোক সভাগী মীখল থেংনগদবা কংগ্রেসকী কেন্দিদেটশিংগী অহানবা মীং লাউথোকখ্রে

*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা অহানবা ওইনা দিল্লিদা লোক সভা মীখল থেংনগদবা মীওইশিং খনগৎখ্রবা মতুং ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিটিনা ঙসি নৌনা দিল্লিদা মীখল থেংনগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

পার্টি অদুগী সোর্স মতুংইন্না গান্ধীনা গ্রাস রুট লেভেলদা থবক তৌরিবা কংগ্রেসকী থৌমীশিংবু কেন্দিদেট ওইনা পুথোক্লবা ৱাফম ফোঙদোক্লম্বা লৈখি।

অহানবগী ওইনা দিল্লিগী লোক সভা মীখল থেংনগদবশিংগী প্রোজেক্ট তৌরবা কেন্দিদেটশিংগী মীং লাউথোকখ্রে। লোয়ননা অৱাং নোংপোক ভারতকী ওইনা পার্টি অদুগীদমক মীখল থেংনগদবা কেন্দিদেটশিংগী মমিংসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

প্রোজেক্ট অদুগী মতুংইন্না লোকেলগী ওইবা পার্টি অদুগী ৱার্করশিংনা লোক সভাগী কেন্দিদেট ওইনা খনগৎলক্লবা মীওইশিং অদু মীখল থেংননবা লাউথোক্কনি হায়না পার্টি অদুগী লুচিংবা দি সৌজানা ফোঙদোরক্লি।

# ওটো দ্রাইভর অমনা মহাক্কী অমেরিকান লোয়নবী হাৎলবা মতুং মশা মথন্ত মৈ থাজদুনা শিজখ্রে

*ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* বোল্লিৱুদকী ফিল্মগী মওংদা ওটো দ্রাইভর অমদা নুংশিনদুনা লুহোংলকখিবী অমেরিকাগী নিঙোল অমা মহাক্কী মপুরোইবনা থাংনা থিন্দুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুং মহাক্কী মপুরোইবসু মশা মথন্ত মৈ থাজদুনা শিজখ্রে হায়রি।

অমেরিকাগী সোসিয়েল ৱার্কর ইরিন হ্বাইট এলাইজ কিরননা হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাদা বন্তি শর্ম্মা এলাইজ অশোক কৌবা ওটো দ্রাইভর অদুগা লুহোংখি। চহি ৩৫ শুরবী ইরিননা অগ্রাদা লম কোইবা লাকপদা অশোকক থেংনখিবনি। শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মহাক্কী মপুরোইবনা থৌবা ওটো অদুগী মনুংদা থাংনা থিনখি। মদুগী মতুংদা হকচাং অদু ওটোদগী লংথোক্লম্লবা মতুং নুমিদাংগী পুং ৮ লোম তাবদা পুলিসনা থেংনরকখি। বন্তি এলাইজ অশোকনা মহাক্কী সঞ্জয়নগরদা লৈবা ময়ুমদা মীহাৎ অদু চখরবা মতুং হল্লকখি। মহাক্না মহাক্কী কা অদু থোং লোনশিল্লবা মতুং গ্যাস সিলিন্দরগী ভাল্ভ লৈথোকপগা লোয়ননা মৈ চাকহন্দুনা শিজখি। অগ্রাগী সেনিয়ার পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা দোগ স্কৱাদ শিজিন্নদুনা মফম অনি অদুদা থিজিনবগী থবক চখখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমসুং নিউ দিল্লিদা লৈবা অমেরিকান এম্বেসিদা খঙহনখ্রে হায়রি। সলাভ মাথুর কৌবা সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু মখোয় অনিগী মরক্তা ইমুং মনুংগী ওইবা ৱাথোক লাকপদগী থোকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা বন্তি এলাইজ অশোকনা মহাক্কী নুপীবু হাৎলবা মতুং মথন্ত অত্থঘাট তৌদুনা শিজখিবনি হায়রি।

ইরিন অমসুং বন্তি তাজগঞ্জ হোটেলগী মতোনদা টাজমহলবু মনিংদা লৈহন্দুনা থাজননা লুহোংখি। পুলিসকী পাউদা মখোয় অনিগী মরক্তা হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী মেরিটেল প্রোব্লেম লৈখি। মদুদা ফেমিলি কাউন্সিল্লরশিং চৎতুনা মখোয়গী প্রোব্লেমশিং অদু লাকশিন্নবা এদভাইস তৌখিবা লৈ হায়রি।

বন্তিনা ইরিনবু মরাল শিরদুনা মহাক্না লুহোংখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা কয়া লৈখি। থোকখিবা থৌদোকশিং অদু য়েংলগা বন্তিদি হান্নগা লুহোংলবা মীশক অমা ওইরমখি হায়রি। ফেমিলি কাউন্সিল্লরশিংনা মখোয় অনিদা পাউতাক কয়া পীবগা লোয়ননা হান্নগুম্না ঈংনা চিক্না লৈনবা ৱাফম কয়া খঙহনখি। ইরিন হায়রিবা নুপী অদুনা ইন্দিয়াগী কলচরবু য়াম্না নুংশিজবা অগ্রাগী প্রজাশিংগী ৱাখল্লোন ফগৎহনবা পামখি। মহাক সোসিয়েল ৱার্ক কয়াদা শরুক য়ারক্লবা নুপীনি। মহাক শিখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা ইরিননা নুমিদাংৱাইরম অমদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা অগ্রা সুন্দর হৈ হায়বা কেম্পেইন চখখি হায়রি। লমদম অদুগী এন জি ও কয়ানা মহাকপু শৌগৎখি। ইরিন সোসিয়েল ৱার্কর অমা ওইবতা নত্তনা য়োগগী প্রোফেস্নেল ওইরবা ওজা অমনি হায়রি। মহাক্না খ্বাইদগী মরুওইরবা হীরম অহুমদা থবক তৌরমখি। মদুদি ঈশিং, প্লাষ্টিক ৱেষ্ট অমসুং ফত্তবা পোৎলমশিং মফম চানা লোইশিনবা থবক থৌরমশিংনি হায়রি।

Introducing
PROJECT 21
* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Main board,15.6" LED monitor , –@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500 Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-
Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply

hp ASUS KYOCERA acer

# ওরিষ্যাগী লো মিনিষ্টর নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লে

*ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ২২ঃ* ওরিষ্যাগী টুরিজম এন্দ কলচর মিনিষ্টর মহাক্কী কন্সটিটুয়েন্সিমক্তদা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লুনা ডোক্টরশিংনা ওপরেসন তৌরবা মতুংদা থবাক্কী শরুক কারক্তা লৈবা নোংমৈ মরু লৌথোকখ্রে।

চহি ৫৯ শুরবা মিনিষ্টর অদুগী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না মহাকপু লায়েংলিবা হোস্পিটালগী ডোক্টরশিংনা ফোঙদোরক্লি। মীওই ৪ না শাবা ডোক্তরগী টিম অমনা ওপরেসন অদু প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পাঙথোক্লবা মতুং ইন্টেসিভ কেয়ার য়ুনিটতা থমদুনা লায়কন্নরি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মিনিষ্টর অদুগী ময়ুম লমদম পুরিগী অখুবা লৈরক অমদা চাকা অনি পানবা গাড়ী তোংদুনা লাকখিবা শকখঙদবশিং অদুনা য়াম্না নক্লনা নোংমৈ লায়কন্নখি। তুংদা মহাক ভুবনেশ্বরদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা থংদোকখি। পুরিগী সুপরিটেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌরে। লোয়ননা মীওই খরা ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চখরি হায়রি। ওরিষ্যাগী চিফ মিনিষ্টর নবিন পাটনায়কনা মিনিষ্টর অদুবু লায়েংলিবা হোস্পিটালদা লাকপগা লোয়ননা মিনিষ্টর অদুগী হকচাং অথুবা মতমদা ফগৎলক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। চিফ মিনিষ্টর অদুনা অদুগুম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা তঙাইফদবা থবক লৌখৎতুনা এটেক চখরম্বা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা ফাগৎনবা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে।



কাপশিল্লম্বদগী মিনিষ্টর অদুগী ওইথংবা পান্বোম অমসুং নঙ্গলগী শরুক্তা শোকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা